# খোন্নাং লমন শিংগে হায়বগী ব্রাখল্লোন ঙসিগী মীরোলদা লৈনরক্রে "হিংবগী মহাও"

## সুর মৈতৈ

**মমা** মপা ওইবীশিংনা মচা ওইবশিংবু মীমান্নবা অমদি অচৌবা মীওই অমমম ওইনবা হোৎনরকপদা চৈথেং কয়া মায়োক্লরকখিবা অদুবু মচা ওইবশিংনা মী অমমম ওইরক্লবা মতমদা মমাগী খোন্নাং লমন শিংগে হায়বগী ব্রাখল্লোন অদু হৌজিক্কী মতমদা চাদ ৯৮ গুন্বদি লৈনরক্রে হায়বসি মাংদা তাদুনা লৈরিবা ব্রাফম অমনি। ঙসিগী অওনবা সমাজ অসিদা মচা ওইবশিংনা মীমান্নবা ঙম্লক্লবা মতমদা মাগী মাগী নুপীগী তুং ইনখিবনা মমা মপা ওইবশিংনা শাগৎচখিবা মঙলান কয়া কায়দুনা অদুমক লাক্লি হায়বসিদা যুম্ফম ওইদুনা পুথোক্লিবা সহেরবা ফিল্ম প্রদক্সনগী অহানবা খুদোল "হিংবগী মহাও" হায়রিবা ফিল্ম অসি নম্বা লোইদুনা শেম শাবা পুন্নমক লোইশিল্লদুনা মীয়ামদা খুদোল তম্নবগীদমক অফবা নুমিৎ ঙাইদুনা লৈরিবা অথুবা মতমদা পুথোরক্লগদবা ফিল্ম অমনি।

কাঞ্চি শান্তিনা প্রদ্যুসর ওইদুনা পুথোরক্লগদবা ফিল্ম অসিগী ষ্টোরি অমদি দিরেক্সন্না জিটেন্দ্রা নিঙোম্বনি। ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদি সদানন্দ (অচৌবা), বিদ্যান্দা (য়াইমা), রোসন (অতোম্বা), অবেনাও (লিম্বোই), রেসমি (লিনা), সোমা (মেরি), ধনমঞ্জুরি (নিঙোল), নরেন্দ্র নিঙোম্বা (এদভোকেট), এস পি ইবোমচা (ইবোহল), অনিতা (সনাতোম্বী), নেত্র, সঙ্গিতা, লুৱাং, অভি অমদি কেদোগী মেম্বরনচিংবনি। অদুগা সিনেমাটোগ্রাফিদা আর কে সুর্জিৎ অমদি সরতচন্দ্র, কোরিওগ্রাফিদা মেনকা, মেকঅপতা নেপোলিয়ান তোপ, কষ্ট্যুমদা গরিপপা অমদি ইদিটিংদা আর কে সুর্জিৎনি।

মমা মপা ওইবশিংনা হিংলিবসি মচা ওইবশিংগীদমকনি। ঈ মতুম অমদগী চাওবা শারেপ ফানবা মীমান্নবা ঙম্নবা হোৎনরকপদা চহি কয়া চঙনা অব্রাবা মায়োক্লরমগদগে হায়বসি মচা ওইবশিংনা মাগী মাগী নুপী লৈরবা মতমদা নুপীনা ঙম্না চৎখিদুনা কাওথোকপা অমদি খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা কয়ানা মমা মপা ওইবশিংগী থম্মোয়না নিঙমদবা মৈরিনা চুদুনা লাকপসি ঙসিগী মীরোলদা থোক্লি। মমাগী খোন্নাং লমন শিংবা ঙমদ্রবা মচাশিং অদুদি মীদি মানবা মীদি নত্তবা জিব মখল অমনি হায়না লৌবদা থোইনা লাল্লোই হায়বা ব্রাফমদা



শাগৎপা ব্রারী অসিগী শম্লপ্পা ব্রারীদি লোক্তাক পাৎকী ফুমথক্তা অপীকপা য়ুম অমদা ঙামী ওইনা লৈবা ইবোহল অমদি নিঙোল মচা অহুমগা লোয়নন্না ঈংনা চিক্লা লৈজরম্মী। ইবোহল নিঙোলদা লোক্তাক পাৎতা মচানুপা অহুমগা লোয়ননা চম্না হৌরকখি। নোংমা মচানুপা য়াইমগী লাইরিক লৈবা চৎখিবা মতমদা খঙহৌদবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা মীওই খরনা মখোয়বু পল অমদগী পল লাম্থোকপীরম্মু হায়রকপদগী মতেং পাংলুবা মতমদা পুলিসকী নোংমৈ মরুনা পান্দুনা ইবোহল পুন্সি পীখন্নখি। ইবোহল লৈখিদবগী অব্রাবা চৈনাদুগী পোৎলুম পুরিঙৈ মরক্তুদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টাফশিং লাক্তুনা লোক্তাক ফুমদা য়ুম শাদুনা লৈবা য়াররোই হায়দুনা তাম্থোরকখিবদগী লোক্তাক থাদোক্তুনা চৎখিবা তাখি। ইম্ফাল ময়োলদা হিংনবা জিবিকা থিবা লাকপা মতমদা ময়াম্বা অহল অচৌবা মমাগী অব্রাবদা মতেং পাংবতা নত্তনা মনাওশিংবু অফবা মী ওইনবা হোৎনরকপা মতমদা বজারদা মীয়ামগী পোৎলুম কয়া থাংদুনা ব্রানা লেল্লকখি। মনাও অনিগী মহৈ মশিং তম্বা মতমদা অব্রাৎপা অমত্তা লৈহনখিদে। মনাও অনি চাওবা মপুং ফারক্লবা মতমদা মপা শক্লা লৈরিবা ময়াম্বদা য়ুম শাও হায়বনচিংবা দিমান্দ কয়া তৌবা হৌরকখি। মনাও অনিগী খন্দুনা অচৌবনা মমাগা তান্নদুনা য়ুম শাদুনা মনাও অনিদা শিন্নখি। মনাও অনি মতমগী মতুং ইন্না মপুং মরৈ ফারক্তুনা নুংশি নুংওলগী লম্বীদা খোঙদাবা হৌরকখি। য়াইমা মেরিগা নুংশিনরকখি। মেরিগী মপা এদভোকেটনি। য়াইমনা মেরিগী মপাগী মতুং ইনবদগী মহাক্সু এদভোকেট অমা ওইবা ঙমখি। মেরিগী মপানসু য়াইমবু ময়া ওইবা পামখি। অতোনবা ইনাক কৈরাক খুনবী য়ুমদা চাওরকপী লিনাগা খঙনরকপদা নত্তনা লৌন লৈমিন্নরকখি। ব্রারুবা কয়া মমৌ লাক্লে মখুৎতা হামদুনা চাগনি খল্লম্বা নিঙোলগী ব্রখল নিংবা কায়খি। মাগী মাগী নুপীনা নুপাশিংবু ময়ুমদা পুনখি। শুরগা হিংলকপা অচৌবনা কেদোগী মরুওইবা থৌমী ওইরকখি। লিম্বোই বজারদা শেন্দোই চাবী নুপী অমনি। মহাক্লা শেন্দোই খোম্বা লাকপা মতমদা সনাতোম্বীগী খুখাংদা অচৌবগা খঙনরকখি। লিম্বোইনা অচৌববু থম্মোয় শেংনা নুংশিরকখি। অদুবু অচৌবনদি মহাক্কী ব্রাখলোন্দা ময়ুম পাল্লরোই হায়না কনখি। অচৌবা ব্রেইন ট্যুমর পেসেন্ট অমা ওইরকখি। মহাক্কী অনাবদু মমাদসু খঙহন্দনবা হোৎনজরকখি। অদুবু মৈবু কয়া কুইনা ফিনা কুপ্তুনা থম্বা ঙমগনি হায়বগুম লিম্বোইনা ডাক্তরগী খুখাংদগী মহাক্লা নুংশিজরিবা অচৌবা ব্রেইন ট্যুমর পেসেন্ট অমনি হায়বা খঙলকখি।

অনাববু লোৎতুনা থম্বা য়াদবনা হোস্পিটাল য়ৌরকখি। লিম্বোইনা অচৌবদা খঙহন্দনা লোন্না লোন্না মতেং কয়া পাংখি। নোংমা খঙহৌদনা য়াইমনা য়ুমদা লাকপা মতমদা য়ুম অদু ছো লোল্লম্বদগী বজারগী কৈথেলদা মমা থিরকখি। মফম অদুদসু মমা পোৎফম ফল্লমদবদগী মীওই অমনা হোস্পিটালদা লৈখিবনি হায়বা পাউ পীরকপদগী য়াইমা অমদি অতোনবা মচিন মনাও অনি হোস্পিটালদা চৎখি। মখোয় অনিনা ময়াম্বগী মনাক য়ৌরকপা মতমদা মমানা তেংথাদুনা কপ্লম্মী। লিম্বোইনা থম্মোয় চাক্ল খাংদুনা হোস্পিটালগী খোঙজিলদা লৈরমখি। মনাও অনিনা চঙলকপা মতমদা লিম্বোইনা লম্বী থৎতুনা মনাও অনিদা ঙাংবা য়াবা ব্রা ঙাংদুনা মখোয়না চৎলিবা অদু লাল্লি হায়বনচিংবা ফোঙদোকখি। মনাও অনিনা ময়াম্বগী মনাক্তা চঙশিল্লকপা মতমদদি ময়াম্বদু মীরোল তাদনা লৈবা উংখি। ওইরিবা ফিভমশিং অদুদা লিম্বোইদি চঙশিনবসু ঙমদা মিৎলু পীরাং শিন্থুনা খাঙখিবদা ফিল্ম অসিগী ওইনদি ব্রারীগী অরোইবা হায়বদু ওইরি।

ফিল্ম অসিগী প্রদ্যুসর ওইরিবা কাঞ্চি শান্তিকুমারনা মণিপুরী ফিল্ম চাউখৎপা অমদি ফিল্মদা থবক তৌমিন্নরিবশিং অসি প্রদ্যুসর লৈত্রবদি কনানসু শক খঙবীরগ্লোই। মণিপুরী ফিল্মগী আর্ট ফোর্ম অসিবু চাউখৎহনবা, আর্টিষ্টশিংবু য়োকখৎপা পামজবদগী ফিল্মগী লমসিদা প্রদ্যুসর অমা ওইনা





খোঙদারকখিবনি। অদুবু মণিপুরদা ফিল্মগী মার্কেট পীক্লম্বা অমদি ফিল্ম তৌরিবশিংনা তুম্বা চাবা খঙদনা তৌজরিবা কয়া অসিগী মহয়দি নিংথিনা চামিন্নবা ফংদবা ফিভম অমদা লৈরম্বা অসিদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফাউই। ব্রাখল অমগা লোয়ননা ফিল্মগী লমদা চঙশিঞ্জরকপা অসিদা লৈরিবা আর্টিষ্টশিং অসি হিংমিন্নসি হায়বগী ব্রাখল্লোন ব্রাৎপগুম্বা, মশাগী হৈজরিবা কলাবু মমল মন্তিক্লুনা চৎপা অদুগা থবক তৌমিন্নবা মতমদনা নুংঙাইনা থবক তৌমিন্নবা ঙমদবা কয়াসি থেংনরুবদগী ফিল্ম হায়বা আর্ট ফোর্ম অসি করিনো হায়বা খঙবা ঙমদবা অমগুম্না লৈরি। প্রদ্যুসর মাংবা হায়বসি পুন্নমক্কী মাংজবনি হায়না মহাক্কী ওইবা মত থল্লক্লি।





















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*